গাড়ী অতোংমল হেনগৎহন্নবগী দিমান্দদা ওল অসাম মোটোর ট্রান্সপোর্ট এসোসিএসনগী মতম কক্তবা চাকা বন্দ হৌখ্রে

গুৱাহাটি, ওক্টোবর ০৫(এজেন্সী):

ওল আসাম মোটোর ট্রান্সপোর্ট এসোসিএসন (এ এ এম টি এ) না কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কা মরী লৈননা তৌরিবা মখোয়গী দিমান্দশিং শৌগৎলদুনা অসামদা কৌবা মতম কক্তবা চাকা বন্দ নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌখ্রে। অসাম ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর চন্দ্রমোহন পটাৱারিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা এসোসিএসন অসিগা পাঙথোক্কদবা মীফম অমা কৌখ্রে হায়রি।

মীদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না মীফম কৌরিবা নুমিৎসিমক্তদা এসোসিএসন অসিনা দিসপুরদা লৈবা জনতা ভবনগী মমাঙদা প্রোটেষ্ট চত্থরবা য়াই। এ এ এম টি এগী দিমান্দদি কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক য়েংদুনা বস অতোংমলশিং য়াওনা ট্রান্সপোর্টেসনগী চার্জশিং হেনগৎহল্লু হায়বসিনি।

এ এ এম টি এনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা অমদা, কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অমসুং মতুং তারকপদা মসিবু লাকশিন্নবা থন্লিবা লৈবাক শিনবা থুংনা থন্লিবা লোকদাউননা মরম ওইদুনা মায়োক্নরক্লিবা ক্রাইসিস অদু য়েংদুনা তঙাইফদনা মখোয়না খোঙথাং অসি লৌখৎলিবনি হায়খি।

এসোসিএসন অসিনা হায়রিবদি, গভর্ণমেন্টনা তোঙান তোঙানবা তঙাইফদবা পোৎলমশিংগী মমলশিং হেনগৎপগা লোয়ননা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল থেঙ্খাং নাইনা হেনগৎখিবা লৈরবসু এসোসিএসন্না তৌরিবা গাড়ী অতোংমল হেনগৎহল্লু হায়বা মখোয়গী দিমান্দ করিমতা য়েংশিনবীদে হায়বসিনি।

থাওগী মমল হেনগৎখ্রে, গভর্ণমেন্টনা পেসেঞ্জরশিং চাদা ৫০দমক পুনবা ওর্দরসু থোকখ্রে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঐখোয়বু পেসেঞ্জর চাদা ১০০ পুন্নবা নৎত্রগা গাড়ী অতোংমল হেনগৎহনগদবনি হায়বা এসোসিএসনগী মেম্বর অমনা মমাঙদা ফোঙদোকখি।

এসোসিএসন অসিনা ক্লেইম তৌরি মদুদি কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক মনুং অসিদা বসশিং, টেক্ষরশিং, ঈ-রিক্সোনচিংবনা পেসেঞ্জর চাদা ৫০দমক পুদুনা সর্ভিস তৌরক্লি। মসিনা মখোয়দা শেল মাঙবগী ফীভম মায়োক্ন হল্লিবনি। তৌইগুম্বসুং গভর্ণমেন্টনা সিটি বসশিং, টেক্ষরশিং অমসুং ঈ-রিক্সোশিংগী অতোংমল হেনগৎহনবগী মতাংদা ৱারেপ অমত্তা লৌবা লৈত্রি।

কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন্না মরম ওইদুনা নাগালেন্দ সিভিল সেক্রেটরিএটতা লৈবা হেল্থ দিমার্টমেন্টকী ওফিস সিল্ড তৌশিনখ্রে

কোহিমা, ওক্টোবর ০৫(এজেন্সী):

নাগালেন্দ সিভিল সেক্রেটরিএটতা লৈবা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিস ওক্টোবর ৪দগী হৌরগা পুং ৪৮ চুপ্পা সিল্ড তৌশিনখ্রে। ওফিস অদুদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস খরা থেংনবদগী খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা কোহিমা দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর দেগোরি থেজারেলিনা হীরম অসিগা মরী লৈননা নোটিফিকেসন অমা ইস্যু তৌখি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেসশিং থেংনরকপা অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ ফেমিলি ৱেলফেয়র, দিরেক্টরেট জেনরেল ওফ হেল্থ সর্ভিসেস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা চহী অসিগী জুন ৪দা ইস্যু তৌখিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ লাকশিন্নবগী চেকশিন থৌরাংশিংগী মতুংইন্না দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, নাগালেন্দ সিভিল সেক্রেটরিএট অসি ২০২০গী ওক্টোবর ৪দগী পুং ৪৮ চূপ্পা সিল্ড তৌশিল্লে হায়না নোটিফিকেসন অদুনা ফোঙদোকখি।

কোহিমাগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা মীপূম খুদিংমক্তা সিল্ড তৌরিবা মফম অদুগী অকোয়বদা মতম পূম্নমক্তা মাস্ক উপ্পনচিংবা চেকশিন থৌরাংশিং ঙাক্ননবা পাউতাক পীখ্রে। মীয়াম্না তোয়না খুৎ হাম্বগা লোয়ননা পব্লিক হায়জিন অমসুং পর্সনেল সেফটিগী য়েংদুনা সোসল/ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং মেন্টেন তৌনবসু দি সীনা মখা তানা নোটিফিকেসন অদুগী খূথাংদা মীয়ামদা খঙহনখি।

নাগালেন্দদা হৌজিক ফাওবদা পূন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস ৬৫৫২ রেজিষ্টর তৌখ্রে। নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্টেট অসিদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ১২৩ থেংনখি। শাথীরবা লায়না অসিনা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা মীওই ১২গী পুন্সি লোমহনখ্রে।

হেল্থ মিনিষ্টর এস পাংন্যুফোংগী মতুংইন্না নাগালেন্দগী অনৌবা কোভিদ কেসশিং অদুগী মনুংদা ৭৪দি দিমাপুর দিষ্ট্রিক্টতগীনি, ৪৮না কোহিমা দিষ্ট্রিক্টতগীনি অমসুং কেস অমনা লোংলেং দিষ্ট্রিক্টতগীনি। ইনৌ নৌনা পেসেন্ট ৫১ নাবা ফদুনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা কোভিদ-১৯ ক্যের সেন্টর অমসুং হোস্পিটালশিংদগী দিসচার্জ তৌখ্রে হায়নসু হেল্থ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

অনৌবা কেস ১২৬ থেংনবদগী অরুনাচলগী কোভিদ টেল্লি ১০,৫৪৮শুরে

ইটানগর, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সি):

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অরুনাচল প্রদেশতা অনৌবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস ১২৬ রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপূনবা পোজিটিভ কেস ১০,৫৪৮শুরে।

দিরেক্টরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসনা থাদোরকপা খ্বাইদগী নৌনা দেটাগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তগী অনৌবা কেসশিং অদু রিপোর্ট তৌরকখিবনি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা খ্বাইদগী য়াম্না কেস মশীং ইটানগর কেপিটেল রিজন্দগী লাকখি। আই সী আরদা থেংনখিবা অপূনবা কেস ৪৮নি। কেসশিং অদুগী মনুংদা ১৫দি লায়ওং উৎলবশিংনি। অদুগা অতৈ কেসশিং অদুনা লায়ওং উত্তবশিংনি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না পেসেন্ট ১৯০ ইনৌ নৌনা লায়েংবদা ফবদগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী তোঙান তোঙানবা কোভিদ ক্যের সেন্টটরশিংদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। নোংমাইজিং নুমিত্তা দিসচার্জ তৌখিবা অপূনবা পেসেন্টশিং অদুগী মনুংদা পেসেন্ট ৯৩দি ইটানগর কেপিটেলদগীনি। পেসেন্টশিং অসি দিসচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা নাবা ফরবা কোভিদ পেসেন্ট মশীং ৭৫৭৭ শুরে হায়রি। ষ্টেট অসিদা নাবা ফবগী চাং ৭১.৮৩নি। শাথীরবা লায়না অসিনা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী পোজিটিভ পেসেন্ট ১৮ শিহনখ্রে। অরুনাচল প্রদেশতা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মী শিবগী চাং চাদা ০.১৭নি।

এস আই রিক্রুটমেন্ট ৱাথোক্তা সিনিয়র কোংগ্রেস লিদর ফারে

গুৱাহাটি, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সি):

অসাম পুলিস সব ইন্সপেক্টর এগজামিনেসনগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা নালবারি পুলিসনা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর অটব আলি ফারে হায়রি।

অসামগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা কোংগ্রেস পার্টিনা ৱাথোক অদুগী মায়োক্তা অচৌবা প্রোটেষ্ট কয়া চত্থরক্লিঙৈ মরক্তা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি। নালবারি পুলিসনা বজালি, ভভানিপুর, মাজ গাওন এরিয়াশিংদা ওপরেসন অমা লোঞ্চ তৌখি অমসুং মমৈথংদা আলিবু নোংঙাল্লমদাই পুং ২ তারকপদা বার্টেকাদগী ফাখি।

অসাম পুলিসনা মহাক্কী ময়ূমদগী এস আই রিক্রুটমেন্ট এগজামিনেসন অদুগী এদমিকার্দ ৪ রিকোভর তৌখি। আর টি আই সেলগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর অলি অসি অসাম পুলিস এস আই রিক্রুটমেন্ট স্কামদা মরাল শীরবা অতৈ মীওই কয়াগা কন্টেক্ট লৈনৈ হায়রি।

ৱাথোক অদুদা কোংগ্রেসকী অতৈ লুচিংবা কয়াসু চেন্নরম্বা য়াই হায়না থাজনরিবনি। হৌজিক হৌজিক অলি নালবারি পুলিসনা ফাজিন্দুনা থন্লি অমসুং মখা তাবা ৱাহং পাউহং চত্থরি। মহাক থারগা থবক লৌবগী ৱাথোক অদুগা মরী লৈননা ফাবা মীওই ২৩ শুরে। অদুম ওইনমক থবক্তগী পোত্থারবা ৱাথোক অদুগী মরু ওইবা এক্ক্যুজশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সিনিয়র ওফিসর পি কে দত্তদি হৌজিক ফাওবা পুলিসনা ফাবা ঙমদ্রি।

ষ্টেটকী পাউ

আইমোলগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অমসুং অশোকপশিংদা শেলগী তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫ (ঐচ এন এস):

টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী টেংনৌপল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা আইমোল চীংনুংহুৎ অমসুং আইমোল খুনয়াই খুল অনীগী খুঞ্জাশিংনা হৌখিবা সেপ্তেম্বর ২৬ তা থোকখিবা খৎনচৈনবগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা পাষ্টর অমসুং অশোক-অপন নংখ্রবা খুঞ্জাশিংদা শেলগী তেংবাংশিং খুৎশিন্নখ্রে।

ইন্দিজিনস মাইনোরিটি ওর্গনাইজেসন মণিপুর (আই এম ও এম), ইন্দিজিনস মাইনোরিটিজ সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন মণিপুর (আই এম এস সী ও এম), য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) অমসুং নেসনল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কম্মিটি (এন আই পি সী ও)গী লুচিংবশিংনা খুল অনীমক্তা চত্তুনা শেলগী তেংবাংশিং অদু পীখিবনি। লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা পাষ্টর থাংজালাল আইমোলগী লোইনবী দিয়া লৈভোনদা লুপা ৫০০০/- তেংবাংখিবগা লেলায়ননা খুল অনীমক্কী অশোক-অপন নংখ্রবা খুঞ্জাশিংদা মতেং পাংবা ওইনা লুপা ১০,০০০/১০,০০০ ভিলেজ ওথোরিটিগী খুত্থাংদা খুৎশিন্নখি।

ইন্দিজিনস মাইনোরেটি ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী প্রিসিদেন্ট মিদুম মরিং, ইন্দিজিনস সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী প্রিসিদেন্ট মামসোকাম বাপুই, য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্টকী প্রিসিদেন্ট দল্লিয়ু সেকেন্দ অমসুং নেসনল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কম্মিটিগী প্রিসিদেন্ট টি ঐচ মনিহারনা খুল অনীমক্কী খুঞ্জাশিংনা পুক্নিং ফাথবিরগা নুংশি চান্নদা লৈমিন্ননবা অপিলসু তৌখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা আইমোল ট্রাইব য়ুনিয়ন মণিপুর (এ টি য়ু এম)গী হান্না প্রিসিদেন্ট ওইরম্বা অথোই আইমোলনা ফোঙদোরকপদা, খুল অনীনা য়েৎনরিবা শান্নবুং অসি খুল অনীমক্না মপু ওইবা য়ারোই। খুল অমগীনি হায়না শোয়দনা ৱায়েললক্কনি। মতম অদুদা খুল অমদি ৱাখলদা নুংঙাইতবা শোয়দনমক লাকপা য়াই। মদুগুম্বা নুংঙাইতবা অদু থোক্তনবা ঙসি লাকপিরিবা লূপশিংনা মণিপুর লৈঙাক্তা তকশিনবিদুনা শান্নবুং ফংহৌদ্রবা খুল অদুগীদমক অতোপ্পা শান্নবুং অমা শোয়দনা পীবিনবা হোৎনহনবিয়ু। মণিপুর লৈঙাক্নসু খুল অনীমক্কী খনবিরগা শান্নবুং ফংহৌদ্রবা খুল অদুগীদমক শান্নবুং অমা শোয়দনা শেমগৎপিয়ু হায়না লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

মোইরাং সাইগী মতাংদা ৱার্ক্সোপ কম প্রদক্সন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫ (ঐচ এন এস):

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী শেন্থং মখাদা নোংপোক ইঙৌবা কলচরেল একাদেমি (এন আই সী এ), য়াইরিপোক তোপ চীংথা ওইনামথোং লৈরক্কা শীন্দুনা ঙসি মোইরাং সাইকী মতাংদা ৱার্ক্সোপ কম প্রদক্সন অমা য়াইরিপোক তোপ লাস কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এন আই সী এগী প্রিসিদেন্ট এম রাজমনি মৈতৈ, টুলিহল জি পিগী জিল্লা পরিষদ কেইঙোচা অমদি তোকচীংথাগী জি পিগী মেম্বর ৱাই তোম্বনা মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী ৱাহৌদোক পীরদুনা এন আই সী এগী সেক্রেটরি এম মেনাওবী চনুনা হায়, ঐখোয়গী ইরমদমগী পুৱারীবু শৈথারিবা মোইরাং সাই অসি য়োকখৎন্নবা পান্দমদা ৱার্ক্সোপ কম প্রদক্সন অসি পাঙথোকপনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা এন আই সী এগী মায়কৈদ্দগী অহল ওইরবা আর্টকী ওজাশিংদা খুদোল তম্বগা লোয়ননা মোইরাং সাই মরমদা অখঙ-অহৈ কয়াসু ৱা ঙাঙখি।

ওজাশিংনা লৌরিবা থৌদাং জে এস সী সীনা থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫ (ঐচ এন এস):

মালেমগী ওজাগী নুমিৎনা লাকপদা লমদমসিগী ওজাশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংবু এম এস এফ, এমসু, কে এস এ অমসুং সুক্কী অপুনবা বোদি অমা ওইরিবা জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কো-ওর্দিনেসন কম্মিটি (জে এ সী সীনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

জে এস সী সীগী মিদিয়া কোওর্দিনেটর এন চেটন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেমদা লৈরিবা ওজাশিংনা কখোকপা কয়াগা লোয়ননা লৌরিবা থৌদাংবু শীংথাবা ওইনা য়ুনেস্কোনা কুমজা ১৯৯৪ দগী ওক্তোবর ৫ বু ৱর্ল্ড টিচরস দে (ইন্টরনেসনল টিচরস দে) হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা লৈবাক ১০০ হেনবনা নুমিৎ অসিবু মালেমগী ওজাগী নুমিৎ হায়না চহী খুদিংগী তোঙান-তোঙানবা থিম কয়া মিংথোন্দুনা লৈবাক কয়াদা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

চহী অসিগীসু ওক্তোবর ৫ অসিদা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড টিচরস দে, ২০২০গী থিম "টিচরস: লিদিং ইন ক্রাইসিস, রিইমাজিনিং দ ফ্যুটর" অসিনা হৌজিক-হৌজিক কোরোনা লাইচৎনা এদ্যুকেসনদা পীরিবা চৈথেং অসিবু রিসেপ তৌনবা পীরিবা থিম অসি মীয়ামদা খঙহনবগী পান্দমগা লোয়ননা ওজাশিংনা মালেমদা লৌরিবা থৌদাং অমসুং সোসাইটিদা কন্ট্রিব্যুট তৌরিবা অসি নীংশিংবা অমসুং ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা জে এস সী সীনা ৱর্ল্ড টিচরস দে অসিদা কংলৈপাক/মণিপুরদা লৈরিবা ওজাশিংবু ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টর অমসুং চীফ সেক্রেটরিবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫ (ঐচ এন এস):

চহী ১০ রোম মণিপুর লৈঙাক্কী দেপ্যুটি সেক্রেটরি হোম ওইনা থৌ পুরক্লবা মতুংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওর্দর অমনা ডা. রাসিনি য়েংখোম্বু ৮ শুবা বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট ওইনা ট্রান্সফর তৌবিরকপদগীদমক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং চীফ সেক্রেটরিবু মণিপুরদা লৈরিবা নুপী খুন্নাইগী মায়কৈদগী ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি হায়না ভারত সেভক সমাজকী জেনরেল সেক্রেটরি কে বিনাপানিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, ডা. রাসিনি য়েংখোম দোক্তরেট দিগ্রী ফংলবা মতিক চাবা ওফিসর অমনি। মহাক্না হোম দিপার্টমেন্টতা চহী ১০ রোম থবক পুরিঙৈদসু অরানবা থবক তৌখি হায়বগী ৱাফম লৈখিদে। আই পি এস ওফিসর অমা ওইনা ফিল্দদসু অনৌবা প্রোগ্রাম পায়খৎপা ঙমগনি হায়না খল্লি। মখা তান্নসু মহাক্না খুন্নাই অসিগী য়াইফনবগীদমক থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা থম্মী হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

টৈংপাল / লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.

HL-B/6430/04/10-02/11

[illegible]
DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

[illegible]
DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6359/06/09-06/10

CROSSWORD-3581



ACROSS
1 Web-footed bird (4)
3 Dead end (3-2-3)
9 Irish county (7)
10 Small nails (5)
11 Be emotionally over-dependent (5)
12 Hearsay (6)
14 Fired (6)
16 Morbid fear (6)
19 Six-stringed instrument (6)
21 Parcel out (5)
24 Fortunate (5)
25 Enthusiastic (7)
26 Prosperous (4-2-2)
27 Isle of Wight resort (4)

DOWN
1 Dejected (8)
2 Spiny desert plants (5)
4 Runway (anag) (6)
5 Piece of information (5)
6 Yield (7)
7 Snug (4)
8 Pestilence (6)
13 Historic French prison (8)
15 Local authority (7)
17 Funeral car (6)
18 Valued (6)
20 Romantic assignation (5)
22 Elevated (5)
23 Defect (4)

Solution 3580

W	E	S	T	H	A	M	■	C	O	S	T	S
I	■	H	■	E	■	U	■	R	■	U	■	I
T	R	O	L	L	■	S	T	U	M	P	E	D
N	■	V	■	P	■	T	■	E	■	R	■	E
E	Y	E	S	O	R	E	■	L	E	E	D	S
S	■	■	■	U	■	R	■	■	■	M	■	■
S	E	D	A	T	E	■	I	G	N	O	R	E
■	■	O	■	■	■	A	■	O	■	■	■	X
M	O	S	E	S	■	S	T	O	P	G	A	P
E	■	S	■	C	■	K	■	D	■	O	■	O
T	R	I	P	O	L	I	■	B	U	O	Y	S
A	■	E	■	L	■	N	■	Y	■	D	■	E
L	U	R	E	D	■	G	U	E	S	S	E	D

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3380

		5			7		6	
8	6	4		5				
1	7		3					
3						1		4
			7		2			
5		2						3
					4		3	2
				8		4	5	6
	4		5			7		

Solution-3379

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

5	7	9	2	3	6	1	4	8
3	8	6	9	1	4	7	5	2
1	2	4	5	8	7	3	9	6
4	9	8	1	6	2	5	7	3
6	1	3	7	4	5	8	2	9
2	5	7	3	9	8	4	6	1
7	3	1	4	2	9	6	8	5
8	4	2	6	5	1	9	3	7
9	6	5	8	7	3	2	1	4



লময়ানবা ইরাবত
[illegible]
ৱারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম
[illegible]

কৈশামথোংগী অৱাং থংবদা লৈরিবা এম এস আর টি সী সেক্রেটরিএট, বেঙ্গোলি হায় স্কুল লৈরিবা অকোয়বা অসি হিজম লৈকাই হায়না খঙনরম্মী। অদুদা লৈরিবা মীওই পুম্নমক তাম্পোক্তুনা বৃটিশনা রিজর্ভ এরিয়া ওইনা লৌশিনখিরম্মী।



লাইনিংতৌ সনামহিগী লাইশঙসু হোংদোকখিরম্মী অদুবু অমুক হৌজিক্তি হঞ্জিন্দুনা লৈররে।